## তকশিল্লিবদুবুদি য়াম্না ফৈ
### মিহুলদা দাইরেক্ট পায়হন্নীংই হায়বনি

মে ১৬, ২০২৫দা আর পি আই (এ) না গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লাদা মীতৈ/মৈতৈবু লৈবাকসিগী সেদ্যুল্ড ত্রাইব (এস টি) গী লিষ্টতা চলহনবীনবা তকশিনখ্রে। মতাংসিদা আর পি আই (এ) হায়রিবা পোলিটিকেল পার্টিসি করম্বা মখলগী পার্টিনো, গভর্ণরদা তকশিনখিবা পার্টিসিগী লুচিংবশিংদুনা কনা-কনানো অমসুং করিগীদমক তকশিল্লুরিবনো হায়বনচিংবশিং পুথোক্লগা মস্থিনফম থোক্তে। মরমসু চাদে। পোলিটিকেল পার্টিসিগী মকোক থোংবা লুচিংবা রামদাস অথৱাল্লেনা লৈবাকসিগী এম পি অমা ওইবগী মথক্তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংদুনা য়ুনিয়ন লৈঙাক পায়রিবা এন দি এগী গভর্ণমেন্টতা ষ্টেট মিনিষ্টর ওইরি। অদুগা গভর্ণরদা তকশিল্লুবশিংদুনা পার্টিসিগী নেশনলগী থাক্তা সেক্রেটরি ওইবগী মথক্তা পার্টিসিবু ইলেক্সন কম্মিশন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না মণিপুরগী ষ্টেট পার্টি অমা ওইরে হায়দুনা শকখঙলবা পার্টিসিগী লুচিংবা থৌপুবশিংনা তকশিল্লুবনি। য়াম্না ফৈ, থৌওইনা মতম কায়থোক্তুনা তকশিল্লুবা অমসুং মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহনগদবনি হায়দুনা ৱাফম খরগা ফোঙদোকখ্রিবদু চাংদম্নিংঙাই লৈতনা মমল য়ামখ্রবা জাৎনি। মরমদি ফূরুপসিনা এস টিগী লিষ্টতা চলহনবগী থবকসি য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা হায়বদি লৈঙাক্তুগী মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিনা তৌরক্কদবনি। মসিগীদমক চহী ১০ হেনবগী মমাঙদা মণিপুর লৈঙাক্তা তঙাইফদনা চঙবা রিপোর্টশিং থারকউ হায়রকখ্রবনি। ৱাফমসি মার্চ ১৫, ২০১৭তা অহানবা ওইনা বি জে পিনা লুচিংদুনা লিংখিবা ষ্টেট লৈঙাক, কুমজা ২০২২গী মার্চতগীসু অনীরকশুবা চপ মান্নবা লৈঙাক অমমুক লিংলক্লগা ফেব্রুৱারী ৯, ২০২৫গী নুংথিলদা সরেন্দর তৌজদুনা রিজাইন তৌহনখিদ্রিঙৈ মমাঙ ফাওবদা লৈরকখিবা লৈঙাক অনীদু খক্তদা রিপোর্টশিং থাদবগী তেকচাক পূম্নমক লোইনা নমশিল্লুবা য়ারোই। মরমদি রিপোর্ট অমসুং রেক্কমেন্দেশনশিং থারকউ হায়বদুদি মণিপুরদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লিংলক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা লৈরম্বা কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদগী হায়রকখ্রবনি। মখোয়গী ষ্টেট লৈঙাক্লসু শিখাঙ খাঙদুনা থারমদবনি। অদুগা প্রসিদেন্টস রুলসিগী মমাঙদা টর্ম অমা মখায়রোম ৱায়েল চূপ্লি পায়রম্বা বি জে পিগী লৈঙাক্তুনসু থারমদবনি। মরমশিং অসিনা হৌজিক মীতৈ-মৈতৈনা লৈবাকসিগী এস টি লিষ্টতা চনবগী ৱাফমসিদি মথৌ তারিবা রিপোর্ট অমসুং রেক্কমেন্দেশনশিংদু ষ্টেট লৈঙাক্তগী থারগা লোইরে। রিপোর্ট অমসুং রেক্কমেন্দেশনশিংদুগী মতুংইন্না চলহল্লকপা নৎত্রগা চলহল্লক্তবা হায়বদুদি রিপোর্ট অমসুং রেক্কমেন্দেশনশিংদুগী মখা পোনগদৌরিবনি। ৱা লোয়রে।

অদুগা হৌজিক মীতৈ-মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহনবীয়ু হায়বা দিমান্দগী মতাংদা লৈরিবা ফীভম্না হকথেংননা মরী লৈরিবা ষ্টেট লৈঙাকশিংগী মায়কৈদগী চহী কয়া চূপ্না থাফম থোকপা রিপোর্ট থাদবা অমসুং রেক্কমেন্দ তৌদবগী চলহনবীরক্ত্রে হায়দুনা দিমান্দসিবু অকনবা মওংদা তানবা লূপশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মীতৈ (মৈতৈ) ত্রাইব য়ুনিয়ন (এম এম টি য়ু), মণিপুরনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা সিভিল রিট পিটিশন অমা ফাইল তৌখ্রে। ৱাকৎতু কোর্টনা লৌখৎতুনা ৱায়েল চখরবা মতুংদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মহুৎ শিনবা মিনিষ্ট্রিদা থাফম থোক্লিবা রেক্কমেন্দেশনশিং থাননবা মতম ফাওবা পীদুনা খঙহল্লকখ্রে। ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগীনা রেক্কমেন্দেশন থাবগী মতম খরদংগা শাংদোকপীনবা হায়জরকখিবা লৈখ্রে। হায়রিবশিং অসি হৌজিক চহী ২ হেঞ্জিল্লক্লুবা মণিপুরগী তমথীরবা লানসি হৌরক্ত্রিঙৈগী মমাঙগী ৱানি। অদুবু ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী তৌফম থোকপশিং তৌরক্তবদগী হায় কোর্টতা 'কন্টেম্পট পিটিশন' ফাওবা ফাইল তৌখিবা লৈখ্রে। হৌজিক পিটিশন অদুগী লাইবক য়েংবগী ফীভমদা লৈরি। হায়বদি মীতৈ-মৈতৈনা এস টি লিষ্টতা চন্নবগীদমক রিপোর্ট অমসুং রেক্কমেন্দেশন থাবগা মরী লৈনবা থবকসি লোগী এপ্রোপ্রিয়েট ফোরম অমগী জ্যুরিসদিক্সন মনুংদা লৈরে। চৈরকসিদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীখিবা দিরেক্সন অদুগী মায়োক্তা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎনরক্তুনা মীতৈ-মৈতৈনা এস টি লিষ্টতা চনবগী শিৎ নানবা লম্বীদা নুঙজাও ওইবা, খুনু মখোঙ শল্লৌবদৌনা থোকহনবা থৌদোকসু মায়োক্লরিবনি অদুগা দিমান্দসিগীদমক অকনবা খোঙজং মাঙজিল থানা চঙশিল্লকখিবশিংগী মনুংদা সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি, মণিপুর (এস টি দি সী এম) অমসুং ৱর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিল (দব্লিয়ু এম সী) য়াওরিবনি। তম্পাক্কী মফম অয়াম্বদা লৈবা লূপশিংনা শৌগৎনরকখ্রিবনি। মরম অসিনা পামজে অমসুং ফংনীংবা দিমান্দনি হায়রগসু ৱাফমসি লো কোর্টতা লৈরে হায়বনি। হোয়, হায় কোর্ট অমসুং সুপ্রিম কোর্টতা লৈরে হায়দুনসু তূমিন্না লৈথোকপগী মহুত্তা গভর্ণরদা তকশিল্লুরিবদুবুদি করিসু কায়দে। পি আরগী লৈঙাকনিনা লৈঙাক্লোন মখলসিগী লৈঙাক মকোক্তা তকশিল্লুবনি। আর পি আই (এ) না মীতৈ-মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহন্নবা দিমান্দগী মতাংদা লৈরিবা ঈহুলদু চুম্মী, মীয়ামদসু খঙহনবনি। গভর্ণরনা চলহনবা ঙম্বা নত্তে অদুবু থাফম থোক্লিবা রিপোর্টশিং রেক্কমেন্দেশনশিং থাবীয়ু হায়দুনা তকশিনবা ওইরম্লবদি প্রেসর হেন্না কনশিলহনবনি। য়াম্না ফৈ। অদুবু খঙগদবদি হায় কোর্ট অমসুং সুপ্রিম কোর্টপুদি মীওই খরনা, লূপশিংনা নৎত্রগা পোলিটিকেল পার্টি অমনা পুনীংবা মায়কৈদা হুমদুনা পুবা য়াদে। লৈবাকসিদা চৎনরিবা লোশিংগী য়ূম্ফমদা লেপ্লগা ৱায়েল চখরক্কদবনি হায়বনি। মণিপুর মীয়ামগীদমক তৌফম থোকপা থবকশিং তৌগনি হায়রিবা আর পি আই (এ) মণিপুর ষ্টেটনা মীয়ামগী সেন্টিমেন্টতা তোংলকপবুদি ওইরমগনি। মায় পাকপা-পাক্তবা হায়বদুনা অমনি। গভর্ণরদগা তকশিল্লক্লিবসিদি দিমান্দসিদা 'প্লস পোইন্ট' নি। অদুবু মায়বা নৎত্রগা ডাক্তরনা অনাবা'মা লায়েংবা হায়বসিদি লায়নাদুগী লায়ওং মশক মুন্না খঙলগা হীদাক থাবনি। তঙাইফদ্রগা থাঙ ফাওবা থাই। হায়বদি চপ চাবা মিহুল অমসুং ময়াঙদা খূৎ থাই হায়বনি। কেন্সর লায়নানা নারবা মীওই অমগীদমক চবান থাবা, খয়োম লাকপদি তৌনদে হায়বনি। 'ক্রাউদ পুল্লর' ওইনবগীদমক্তা তৌববুদি ওইরগ্লোই। অদুবু লায়নাগী মতুংইন্না চপ চাবা হীদাক-লাংথক শীজিন্নদুনা লায়েংবনা মহয় য়ানগনি হায়বগী ৱানি।

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা'
## (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৫৩৯)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

ৰাপা নিংথৌ চেকলা চেঙচাবনা পাওখুমলকয়ে। লংমাই পুরাপা মিংকৌবা ও। ৰাপা ইখুৎ তোন। কাইরৈ ইশাতোন। তাঙজ ইকোক লুরেলতোলসিনা। নঙ করি কাননাকপনো। চেকলা ইহাকচাংসিসু। নিংথৌ মমোম নচেম মাইয়োকনরুরগা করি কাননগনি। ঐবুদুম চেকলা থুমনাও ইখূৎপুনা। য়েননাও ইশা শাকন থেকপীগনো। মচেঙ কাইরৈ য়েনপাল পোলাং শানা। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'
## (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯵꯳꯹)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯔꯥꯄꯥ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯆꯦꯛꯂꯥ ꯆꯦꯡꯆꯥꯕꯅꯥ ꯄꯥꯎꯈꯨꯝꯂꯛꯀꯌꯦ꯫ ꯂꯡꯃꯥꯏ ꯄꯨꯔꯥꯄꯥ ꯃꯤꯡꯀꯧꯕꯥ ꯑꯣ꯫ ꯔꯥꯄꯥ ꯏꯈꯨꯠ ꯇꯣꯟ꯫ ꯀꯥꯏꯔꯩ ꯏꯁꯥꯇꯣꯟ꯫ ꯇꯥꯡꯖ ꯏꯀꯣꯛ ꯂꯨꯔꯦꯜꯇꯣꯜꯁꯤꯅꯥ꯫ ꯅꯪ ꯀꯔꯤ ꯀꯥꯟꯅꯥꯛꯄꯅꯣ꯫ ꯆꯦꯛꯂꯥ ꯏꯍꯥꯛꯆꯥꯡꯁꯤꯁꯨ꯫ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯃꯃꯣꯝ ꯅꯆꯦꯝ ꯃꯥꯏꯌꯣꯛꯅꯔꯨꯔꯒꯥ ꯀꯔꯤ ꯀꯥꯟꯅꯒꯅꯤ꯫ ꯑꯩꯕꯨꯗꯨꯝ ꯆꯦꯛꯂꯥ ꯊꯨꯝꯅꯥꯎ ꯏꯈꯨꯠꯄꯨꯅꯥ꯫ ꯌꯦꯟꯅꯥꯎ ꯏꯁꯥ ꯁꯥꯀꯟ ꯊꯦꯛꯄꯤꯒꯅꯣ꯫ ꯃꯆꯦꯡ ꯀꯥꯏꯔꯩ ꯌꯦꯟꯄꯥꯜ ꯄꯣꯂꯥꯡ ꯁꯥꯅꯥ꯫ ●

# নীংশিংলকপদা শিরুই ফেষ্টিবেল!



**হেক্তা হায়নীংলকই - ৮৫৩**
**জিতেন নামৈরাকপম**

উখুল মণিপুরদা খ্বাইদগী ফজরবা মহৌশাগী ফজবতনা য়োমদুনা থন্নল্লবা মফম অমনি। ইম্ফালদগী কিলোমিটর ৮৩ লাপ্লা চীংগী ফজবতনা থল্লবা মফম অসিগী মতাংদা ইরম্বা ৰারীমচা কয়া পাখি। নুংশিরবা কাউঙমদ্রবা ঈশৈ কয়া অমসু ইদুনা, শক্তুনা ফোঙদোক্লরকখি।

ওজা দিনমনিগী অহানবা খূৎই ৰারীমচা 'থক্লবী' ওজানা উখুলদা পোষ্টিং তারিঙৈদা ইখিবনি। মমিং য়াম্না লৈখি। দুরদর্শন কেন্দ্র ইম্ফালনসু টেলি প্লে ওইনা ফিল্ম নল্লগা পুথোকখ্রে। ৰারীমচা ইবদা মমিং লৈরবা লমাবম বীরমনিগী 'উখুলদৈ' পাখ্রে। মদুদা উখুলগী পূন্সি মরেল, লম্বী থোংগী ফীভম, য়ূমলৈ-কৈরৈ, ফিজেৎ-চাকচা খরমখৈ খঙবা ঙমখি। মমিং লৈরবা সাহিত্যকার লাইশ্রম সমরেন্দ্রনা ইবা 'চীংদা মান্দা' মহাউ লৈনা পাখি। পাখিবদা নত্তে হায়স্কুলগী মণিপুরী সাহিত্যদা পাড়া ওইনা তমখিবা ৰারীমচানি। লোইনমক নীংশিংবা ঙমদ্রবসু ওজা সমরেন্দ্রনা উখুলগী কৈথেলদা পোৎ চৈ, মনা-মশিং য়োল্লিবী চীংমী নুপীশিংগী ফীভম, মতৌ, চৎনবী থেংনরকখিবা উৎলি। মমল হংই। আলু য়োনবী চীংমী অমনা য়োল্লম্বগী মতৌ অঙকপা ওইনা থেংনখি। আলু তিন অয়ৈবী, তিন য়ৈদবী! মমল মান্নদে। অহাঙবা তিনদু মনীং য়ৈখৎলগা আলু শেন্দোং হেন্না ফংনবা মওংদা য়োল্লম্মী। মফম মফম খুদিংদা অপঙবা মী লৈতে। মানা মানা ঙম্নবা হৈশিংনা হিংবগী মমি অদু তারি। হায় স্কুলগী মতমদা তমখিবা ৰারীমচা 'চীংদা মান্দা' ঐহাক্কী মতম অমসুং ইথক্কী মীরোলশিংনা কাউবীরল্লোই খঞে। উখুলগী আলু তিন অয়ৈবী অমসুং তিন য়ৈদবী। উখুলদি অমুক্তসু চৎলুদ্রি। খঙনীংই, উনীংই, য়েংনীংই। পাম্বৈদি লৈতে কমদৌনি।



উখুলগী ৰারীদি লোইনাইবা লৈতে। কয়ারক হন্নসু তাখি। খঙন-চান্নবা মরুপশিং, ইথক্কী অহলশিং, ওজা ওইরুবা, চীং ককপা লম্বী শেম্বা, য়ূম-কৈ শাবা, লংফৈ চৎলুবা, ঠিকাদারশিং, পুলিস, এম আর পোষ্টিং তারুবা, লল্লোন ইতিক্কী চুম্নগুম কোয়বা চৎলুবা, মদুদগী হেন্দোক্তুনা উখুলদা খ্বাইদগী চাউবা ৰাংবা চর্চ (গীর্জা) অদু শাখিবা বোরো মিষ্ট্রি অদু ঐখোয়গী লৈকায়মক্তদগীনি। মহাক্কী মচা থোকপশিংনা লীবা উখুলগী ৰারীশিং লৈরি। উখুলসি অমুক্তংদি চৎলুগে খনখি। খোঙবু লৈতে। মরমসু লৈতে। কাংপোকপী, সেনাপতি, মাওগুম্না নেশনল হায়ৱেদা পরেং শানা লৈবা মফম অমসু নত্তে। ইনক নক্লা চৎপা শুংফং ফংদবা মফম হায়বদু ওইরে। ইন্দিয়াগী মেত্রোপোলিটান সিটি গুৱাহাটিদগী হাইদোকখ্রগা কোলকটা, দেল্লী, মুম্বাই, গোৱাগী সমুদ্র খোংবান, সাউথ ইন্দিয়াগী মতেক খরা, হিন্দু লাই খুরুম্ফম, নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংদি থুংলুদবা মফমবু লৈশিল্লক্ত্রে। মণিপুর মনুংদনা মোরে লাম্থোল্লগা তমু, জিরিবাম, করি করা লোইনা য়ৌরুরে। ফরক ওম্থোক্লা তাখ্রে। উখুলদি ৰারীতনি মমিংতনি তাবা শুংচৎ হেক চৎপা ফংদে।

নোংমা অমসু শিরুই লিলি ফেষ্টিবেলগী ২শুবা এদিশন ওইগদ্রা উখুলদা ফেষ্টিবেল য়াওবা মী য়াম্না চৎনখি হায়না তাখি। মতমদু থবক অচিনবা অমা লৈবগা চৎপগী তাঞ্জা লৈখিদে। নুংথিল অমা নুংতিগী চামিন থকমিন্নবা মরুপ অমগা ফোন তৌনরুবদা মহাক হৌনরুবা তৌদনা থেংনরুবশিং পুল্লগা উখুল য়ৌরে হায়রকই। মহাক্লা উখুল পল্লকপদা খঙচৎ চৎনীংবা অমদুম ফাওরকখি। কৈদৌনরুবনো সিদি উখুলদু য়ৌথোক্লুরগে খন্না কনাদসু হায়রমদনা কোন্নগদবা শেল খরা হাপচিল্লগা ওটো রিক্সো তোংদুনা খোঙনাং কারক ফাওদুনা খুমন লম্পাক য়ৌদ্রিঙৈ আই এস বি টি পার্কিং য়ৌরে। নুংথিল পুং ৪ খরা হেল্লমগদ্রা, বস নত্তবা, ৰিঙ্গরমকসু নত্তবা ময়ায় ওইরপ্পা পেসেঞ্জর টিকেট কক্তুনা গাড়ীদু তোংখৎতুনা ইম্ফাল থাদোক্তুনা উখুল পাংলকই। গাড়ীদু মীতৈ মচা অমত্তা য়াওদবা ত্রাইবেল ঙাক্তনা পীক থন্না তোংবা ওইরম্মী। গাড়ীদু মীতৈ ইথন্তা, খঙন চান্নবসু অমত্তা য়াওদবা, তাঙ্খুল মরোল ঙাক্তা ঙাঙই চৎলিবনেনা তৌরিদু উখুল থুংফমসু খঙদবা, লৈফমসু খঙদবা, খঙন-চান্নবসু অমত্তা লৈতবা, ইথন্তা চৎখি, ঐগী উখুল খোঙচৎ। য়াইঙংপোকপী, খ্বালতাবী লানখৎখিবগা থেক্লা খোয়না অসুম অসুম থৌরক্তুনা লিতান য়ৌরকপদা ঐগী সিট থংননা ফল্লিবা চহী ২৪/২৫ লোমগী ওইগদবা নহা অদু মরোল লোল্লকপা হৌরকই। অংগাক্পি মতেক্কি। ঐসু খুমখি- হংনে, ঙাঙনে ঐনা চংপগী মরমসু ফজনা লীরে। ঐদি উখুলদা অমুক্তসু চৎত্রি তাবদা মা ঙক্লপ তৌখি। কোন্না মীতৈলোল খোইরপ ঙাঙলকখি- ইয়াম্বা উখুল কদায় চৎপা। থুংবা, কদায় ষ্টে তৌকনি?" ঐসু খুমখি- 'ব্রদর ঐগী মরুপ খরা হান্না থুংখ্রে, হংল-হংলগা থির-থিরগা চৎকনি থোকঅবা অমা তৌজরনি।" মরুপ খরা হান্না থুংখ্রে তাবদা মহাকসু থিবদা মতেং পাংগনি হায়রে। তৌবতবু ঐঙোন্দা ঙক্লপ্তি অদুমক য়েংই। তাঞ্জাদুদা ঐনা পুকচেপ্তা য়েপ্লিবা চেপ্তা অদু শৎতোক্লগা মখুম শৎ হাংদোক্তুনা য়াউম অনী-অহুম থক থক চিংশিল্লি/য়োৎশিল্লি। মহাক অমুক্লসু ঙক্লা য়েংই। হে, মতিক ময়াই লৈবা চাক্লাম হীদাক, নঙগী মতেংনা ঐ ঙসি উখুল শোয়দনা য়ৌরগনি।

ঐঙোন্দা ঙক্লা ঙক্লা য়েংলম্বা নহাদু মমিং হংনরে। খঙনরে। জোন্সন সিমরে, উখুলদগী তাঙ্খুল পাখঙ, ইম্ফালদা থবক অমগী লাকপা ওইরম্মী। হঙ্গৈইনদ্রে, সিটকা থংননা ফমিন্নরে, ৰারীদি কয়া নুংঙাইরে। গাড়ী থৌবদি লেপ্তে। নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০/৭কুম্বা তারল্লগদ্রা ত্রাফিক আইলেন্দ গুম্না থৎতুনা লৈরম্বা লমখায় অমদা গাড়ীদু খাল্লে। ময়াম কুমথৈ। মপান ইপান থোক্লে। কদায় য়ৌরে হংলুবদা মহাদেব য়ৌরে হায়নৈ। মফমদু য়ৌবদনি ঐনা মোবাইল ফোন নল্লুবদু। ঙসাই ফোন তৌনখিবা মরুপ্তুদা ঐনা হংখি- 'ভায়, ঐ উখুল য়ৌরক্কদৌরে। হংল-হংলগা থিরগা লাক্লে।" মা তশেংনা ঙকখি, থাবসু থাজখিদে। 'অশেংবগীরানে? নথন্তা' অমুক্তসু চৎত্রিবা থেংনখিদ্রিবা মহাদেব হায়নবা লমখায় অদুদগী তোংখৎতুনা অসুম অসুম থৌদুনা লাপ্লা চীংয়াই লম্বী মথক্তগী থৱান্মীচাক শঙ্গু শঙ্গুগুম মৈঙালতনা য়োল্লবা উখুল উবা ফংলে। উখুল য়ৌরগনি খনবদা পূক্লিংদা নুংঙাইবতনা থনখি। নুমিদাংগী পুং ৮ হেল্লম্বা য়াই উখুল টাউন য়ৌরে। ফোন তৌনৈ হংনৈ। গাড়ী খাম্ফমদগী ইরাপ লাপ্তুনা জোন্সন সিমরেগী য়ূম য়ৌরে। লম্বীগী মমাঙমক্তদনি। লাইবক ফবা হায়গদ্রা ঐগী মরুপশিংগী লৈফমদু জোন্সনগী য়ূম মায়োক্লবদা লৈবা শঙ্গাদ্রিবা ওফিস বিল্ডিং অমগী কা অনীদা ওইরম্মী। জোন্সননা ঐবু মফমদু তান্না থিনজিনবিরে। শৎ নান্না থারবা কার্পেট মথক্তা ইমান্নবা তরা হেনবদুনা থক্লবা-চানবা, অমেৎপা, অঙৌবা, অতাওবা, অফুৎপা, অয়াইবা, শীংজু, অখন্ননা থক্লবা মহী মনাই খোগোপ্পা ইকোয় কোয়না ফমদুনা চা-থক্তুনা লৈরম্মী। ঐ হেক উবমক্তদা মখোয় ঙকপগা লোয়ননা হেন্দসেক তৌবা য়াও, কোনবা য়াও, চূপ্পা য়াও তৌদুনা ঐবু হরাওনা ওকপীখি। ঐদি ঙসাই ফোনদা হায়খিবদু অমুক্কা হন্না হায়খি- 'ঐনা হায়দু হংঙ-হংঙগা থির-থিরগা লাকইনি।" কা অদু পোকখায়গে তৌবমখৈ নোকখি।

চাবা থকপা লোইরবা মতুংদা সিরুই ফেষ্টিবেলগী লুপা ক্রোর ক্রোর চঙনা নেক্তুনা অমেরিকাদগী লাকপা অমেরিকান ক্লাসিক রোক বেন্দ QUEEN SRY CHE, লাইভ কন্সর্ট য়েংলুনবা, তারুনবা বাক্সি গ্রাউন্দদা চৎপা তারে। নুংঙাইবগী ঈপোম্না থল্লবা ইমান্নবশিংদুগা লোয়ননা খরদি নীকখায়রুবা তারে। ইমায়পেম্মা করিনো উখুল টাউনগী লম্বী অদু মীতনা য়োল্লগা চৎলম্মী। উরিবদু মীগী মঙক ঙাক্তনি। কৃক-কৃক ইন্ননা চৎলি। মীয়াম অদু উরুবদা কোলকটাগী হাউরা ত্রেন ষ্টেশনগী পাথোরকপা মী মকোক মুকপ্লবীগুম্বা ময়ামদু নীংশিংলকই। ঙমথরকপা সরক, মথোং মরম ইখঙ খঙদনা মীয়াম্না চিংদুনা চৎলিবা মফমদু য়ৌনবা ফাও ফাওদুনা লাকপনা বাক্সি গ্রাউন্দ য়ৌরে। হান্নদগী হেন্না য়ামখ্রবা মীয়াম তিন্দুনা লৈরম্মী। গেট লাশিন্দুনা হায়রপ চাউরবা লম্পাক অদুবু কোয়শিল্লিবা গেল্লরিদা কাখৎতুনা রোক কন্সর্ট অদু য়েংলে। মচু মচুতনা থল্লবা, দিস্কো লাইটনা মায়কৈ থুংনা কাপ্লিবা মচু মচুগী মৈঙাল, ৰাংথ্রং ৰাংনা খিল্লিবা মখোল হৌখ্রবা স্পিকরশিং, মদুদগী থোরকপা জগৎ পৃম্বদগী থোরকপা হৌখ্রবা লূম-লূম লাউবা মখোল। দ্রম, গিটর, মশম শাংবা সিঙ্গরশিং মথং মথং শকথরকখি। মীয়াম পুম্নমক পংলাংদা লাংই। মচি মচিদা পুনশিন্দুনা জ গোয় শাই, নীকই, লাউই, খোংই। লিংলম্বা ফুরিৎ, জেকেৎ লৌথোক্তুনা নোংথক্তা লংখৎলি। প্লাষ্টিক ৱাটর বোট্টল, সোফ্ট দ্রিঙ্ক মথক্তা পংলংদা লংখৎলি। লাউ খোংই। করিনো তৌরিবসিবো। পংলাংদা লাংই। মরোল মরীদি অমত্তসু খঙদে। মতমদু অহিংগী পুং ১২ তারল্লগনি। ঐনা হুইয়েন লানপাউগী এদিটর (হান্নগী) দা ফোন তৌই- "সার! উখুলদৈনি। হৌজিক বাক্সি গ্রাউন্দদা রোক কন্সর্ট য়েংলি।" এদিটরনা নোল্লগা খুল্লকখি- "তৌরো তৌরো, হরাউথোকউ, নুংঙাইথোকউ"। মখা তাখি- উখুলগী মপাউ পুরগা লাকচরগে?

অদুগুম্লবা নুমিৎ অদু ঙসি হৌগদৌরিবা শিরুই ফেষ্টিবেলগী ৫রক শুবা এদিশন অসিদা খংনীং হেক নীংশিংলকই। নুমিৎ ৫নি চথুগদৌরিবা ফেষ্টিবেল অসি শোয়দ-ঙামদনা মায় পাক্লা পাঙথোকপা ওইসনু। ৰাখল অসিদা ফুঙ্গংননা অমুকসু খল্লি- ঐবু শিরুই লিলী ফেষ্টিবেল য়েংবা অমুক্কা চৎলুসিরা! ●

# ইমালোল য়োকখৎনবা লোলয়ান শীজিন্নবা থিংবগী তঙাইফদবা - ১০৩

**ৰাখল ইহুল**
**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

মদুগী ময়েক শেংলবা খুদম অমদি খৃ: ১৭২৯গী ৰাকচীং থাগী ১৫নি পানবা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা মৈদিংঙু পামহৈবনা লুচিংদুনা লৈবাক মীয়ামগা লোয়ননা ইম্ফাল অমসুং ইরিল তুরেল অনীগী ইতিন্নফম ইরোং/হৌজিক মীয়াম্না ইরুপ্পরিবা ইম্ফাল তুরেল (লিলোং থোংগী নোংপোক থংবদা) ইরোংদা ইরুপ্তুনা মশা শেংদোক্লবা মতুংদা শান্তিদাস গোষাই মহন্ত (মীরোল-লোলয়ান) না মৈদিংঙু পামহৈববু রামান্দি (রাম নীংবা লাইনীং লিচৎ-মীরোল লোলয়ান) লাইনীংদা লাইমিং লৌবিরম্মী। লুকুনসু থাংবীবদগী নুমিৎ অদুদগী হৌদুনা শান্তিদাস গোষাই মৈদিংঙু পামহৈবগী রামান্দি লাইনীংগী গুরু (মীরোল-লোলয়ান) ওইরম্মী। অদুগা অমুক মৈদিংঙু পামহৈবা মশাগী গুরু ওইরবা শান্তিদাস গোষাইদা য়াম্না তৌহৈদবা মওংদা শ্যাংশিগী লান লোইরবা মতুং খৃ: ১৭৩৮গী কালেনগী ১৪নি পানবা থাংজ নুমিৎতা মনাও ইবেম্মা মাইবম চনু হিদাংশুংবীনা পোকপী তম্ফা ৰাংঙমলোন চম্পকলতা অহেনবীবু শান্তিদাস গোষাইদা লুহোংদুনা থাজরগা পামহৈবা নিংথৌনা মনাও ইবেম্মা মাইবম চনু হিদাকশুংবী য়াওনা মমোম চম্পাকলতাবু গুরু শান্তিদাস (মীরোল-লোলয়ান) গী ময়ুম থাংবিদ্রৌদা থিনলুই। নিংথৌগী গুরু ওইবতা নত্তনা ইমুং মনুং ঙাইশেন ওইরম্মী। চাওরাক্লা ঙসিদগী চহী ১৫০-১৬০গী মতমদা মৈতৈ/মীতৈ বামোননা শগোলবন্দ বিজয় গোবিন্দদা ইবুধৌ নোংপোক লৈরিখোম্বা/অনন্তশাই (মীরোল), মৈদিংঙু পামহৈবগী ৮শুবী ইবেম্মা লাইরিকয়েংবম চনু হরিপ্রিয়ানা পোকপা মচা ইবুংঙোগী মচানুপী/মশুনুপী লৌরগা পোকপা মৈতৈ/মীতৈ বামোনগী মচানুপা অনীগী মমিংশিং ইবোহল শর্ম্ম অমসুং ইবোয়াইমা শর্ম্ম (শর্ম্ম-মীরোল লোলয়ান) কৌই। মখোয়গী মমা রাজকুমারী (মীরোল-লোলয়ান) ওইবনা বিজয় গোবিন্দদা লৈরিবা মন্ত্রিময়ূমগী নুপামখৈ শর্ম্ম (মীরোল-লোলয়ান) গা মশাগী মরী মতা থোক্লবনা মমাগী মবুং অমদি মৈতৈ/মীতৈ বামোন মচাশিংদগী চহী হনবা মমাগী মৌপ্বা অনীমক্তা মামশি(জ) (অনৌবা লোল) হায়না কৌই। মমাগী ময়ানুপাশিং (হায়বদি মবুং/মৌপ্বাশিংগী মচানুপাশিং) দনা চহী হনবা হন্দবগী মতুংইন্না ইবাইশি(জ), ইশেন হায়না মমাঙঙৈদগী কৌনরকপা থকসি খাসিগী মিঙ্গৌশিংনা ইশেন হায়না মমাঙঙৈদগী কৌনরকপা থকসি খাসিগী মিঙ্গৌশিংনা অদুমক কৌনৈ। য়ূমদা থোকপা থৌদোক ৰাথোকশিং লোইনমক চংথোক চংশিন তৌনৈ। অইববু পোকপী পলেম ইমাগী মিংনা মীরোলদা রাজকুমারী বোরস্না দেবী, খা-খা (অনৌবা লোল, ইমাগী অপোকপা, ঐখোয়না ইপুবোক হায়নবা) মিংলেননা মীরোলদা রাজকুমার তিঙ্গোংবীস্না অদুগা অবোকশি(জ) (শিজ-অনৌবা লোল) গী মিংনা নিংথেমচা (অনৌবা লোল) ওংবী থরাকলৈ শিজ কৌই। ঐখোয়গী খা-খানা মথক্তা পনখিবা মিং ইবোয়াইমা শর্ম্ম (য়ূম্নাক্তি লোৎচরগে) দগী চহী খরা হনবনা ইবাইশি(জ) হায়না কৌবদা ইশেন হায়না খুল্লগা মখা তাবা ৰারী ৰাতাই তৌনবদদি 'বামোন ইবুংঙো' অসুম্না তৌনবসি, অইবা ইশাগী চাওরাক্লা চহী ৮দগীনা ৯ ফাওবগী মনুংদা ওইরমগদবা মাল্লি। অদুদগীদি অহল মখৈ মথং মথং শিখ্রে। হৌজিক মথৌ তারকপা মতমসিদা হৌখ্রবা অঙাং ওইরিঙৈগী মতমদা খঙহৌবা, উহৌবশিংদু মথং মথং নীংশিংলকখি। মসিনা মিংশেলগুম হৌজিক্তা মঙাল থক্তোক্লক্লি।

হিন্দু লাইনীং লাইশোন/লিচৎতা ব্রাহ্মনগী খেন্নবা ৰাহন্থোক :- মচং ওইবা ৰাফম ওইনা থমজগে। মীরমগী হিন্দু খুন্নাইদা ব্রাহ্মণ হায়বসি মপোক শাগৈগী মীওই ওইনা তৌই। হায়বদি মপা ব্রাহ্মনগী মচাসু ব্রাহ্মন হায়না কৌনবা/খঙনবগী চৎনবী ৰাখল ওইনা তৌই। হায়রিবা ৰাখল্লোনসিমক কংলৈপাক মণিপুরগী মৈতৈ/মীতৈ বামোনশিংগী ফূরুপশিংদসু তৌই। মীরম হিন্দুগী খুন্নাইদা ব্রাহ্মনবু খ্বাইদগী ৰাংবা থাক্তা লৌনবনা ইকায়সু খুম্নে। মরমদি মখোয়না হিন্দু লাইনীং লাইশোন চৎপা অতৈদগী খঙ হৈবা হেনগল্লি; হিন্দু লাইগা মরী লৈনবা থবক থৌরম মখৈ ব্রাহ্মনশিংনা তৌবগী চৎনবী লৈবনা, তৌই। খুন্নাইদা মখোয়গী ওইবা লেঙদবা ফিদা অমা পীদুনা/কন্দুনা লৈবগুমসু তৌই। মালেমগী খুন্নাইদা লৈবা নুপা ওইবশিংগী য়ুম্নাক, শাগৈ অমদি য়েক (মীরোলদা গোত্র/আইদেন্টিফিকেশন ওফ ক্লানশিপ) হোংদবনা ব্রাহ্মন নুপাশিংগীদা মপা মপুগীদা অহোংবা লৈতে হায়না লৌই। মীরম হিন্দুগীদনা ব্রাহ্মন শাগৈ অদুগা কংলৈপাক মণিপুরসিদনা মৈতৈ/মীতৈ বামোনশিংগী য়ুম্নাক অয়াম্বা মীরম ব্রাহ্মনশিংগী অমত্তা নত্তে, মতম মতমদুগী ওইনা কংলৈপাক্কী লৈখিদ্রবা নিংথৌশিংনা পীরম্বশিংদু হোংদে। মৈতৈ/মীতৈ বামোনশিংগী মপা-মপুধৌশিংগী মরী মখোঙ ময়াং মীরমদা লৈবা/থিবা ঙল্লোই, খঙলোই। অদুবু মীরমগী ব্রাহ্মণ গোত্র অমদি মৈতৈ/মীতৈ বামোনগী গোত্র অমা লৌরুরগা পোক্লবগী চাউথোকচবা অমদি মখোয় মশাশিংদা লৈ, পোকচৈ।

মথক্কীসিগী ওন্ন-তৈনবা মওংদা, হিন্দু লাইনীং লাইশোনগী মনুং চনবা, মালেমদা হিন্দু লাইনীং লাইশোন (মীরোলদা-ধর্ম্ম/রিলিজন) গী ৰাংলবা ৰাখল্লোনবু খঙহন্নবা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা 'ইস্কোন' (মীরোলদা ইন্টরনেশনল সোসাইটি ফোর কৃষ্ণ কন্সিয়সনেস) না পীরিবা 'ব্রাহ্মন' গী ৰাহন্থোক্লা য়াম্না খেন্নবগুম তৌই। অইবগীদি হিন্দু লাইনীং লাইশোন মখল অমত্তগা মরী লৈনদে। অদুবু ইস্কোনগীদা পীরিবা ব্রাহ্মনগী ৰাহন্থোক্তি থাক য়াম্না ৰাংনা খঞে। মসিবুদি ইকায়খুম্নদবা ঙমদে, ইকায়খুম্নে। মীতৈ মচা অমা ওইনা পোক্লকখিবা থৌদাম দামোদর মহাক মশা মতিক চানা মহৈ মশিং হৈদুনা কেমিষ্ট্রিদা পি ঐচ দি দিগ্রী পায়রবা মতুংদা 'ইস্কোনদা য়াওদুনা মপূন্সি কথোক্লগা লূপ অসিগী হিন্দু লাইনীং লাইশোনগীদা খঙ হৈবগী থাক্কী কৈরাক কাদুনা দাস, মহারাজনচিংবদগী শ্রীল শ্রীপাদনচিংবা থাক য়ৌরক্তুনা হিন্দু লাইনীং লাইশোনগী মতুংইন্না ব্রাহ্মন নৎত্রগা মৈতৈ/মীতৈ বামোনগী শাগৈদা পোকপা কয়াদগী হেন্না ৰাংবা থাক্তা কাদুনা - 'ব্রাহ্মন কদায়বু কৌবগে? করম্বা মীশকপু ব্রাহ্মন হায়না খঙনরগা অখন্নবা ফিদা পীগদগে' হায়বগী মতাংদা শন্দোক্লা তাক্লম্বা মীতৈ মচানি।

মহারাজ দামোদরনা পীবা হিন্দু লাইনীং লাইশোন (মীরোলদা-ধর্ম্ম/রিলিজন) দা ঙাওজবা সনসম বীরেন্দ্র কৌবা অমনা তাঙ্কক নাইনা ইবা মাগী ৰারেং "ঈচেলগী মমি" ৫৩শুবা তাঙ্কক্তা, মহাক মশানা ওফিস (মীরোল-লোলয়ান/ৰায়রুবা লোল/পুশল্লুবা লোল) কী ওইবা থৌদাং অমগীদমক ত্রিপুরা (মীরমগী লম অমগী মমিং) গী কোনুং অগরটলা (মীরমগী কোনুং) দা চৎপদা, ত্রিপুরাগী ইস্কোন টেম্পল (মীরোল-লোলয়ান) শাবা হৌগৎলকপদা ঙাইরিবা মোঠচৌমোহানি (মীরমগী লম অমগী মমিং) হায়বা মফমদুদা মহারাজ দামোদরনা হিন্দু লাইনীং লাইশোনগী মরমদা অশাংবা ৰারোল (মীরোলদা-ভাষন/লেকচর) পীরম্বদু তাবা চংবদা লমদুগী অচৌ অশাং মানবা মীশক (নুপা) অমনা "Who is a Brahman?" হায়না হংবদা মহারাজ দামোদরনা পাউখুম ওইনা "The one who knows Brahma (absolute truth) is a Brahman and one cannot claim as a Brahman by birth but knowing Brahma (absolute truth) one can become Brahman as the son of a Doctor cannot claim as a doctor unless he qualifies to becoma a Doctor" (সঙাই এক্সপ্রেস, তাং ২৩/২/২০২২ ইং)। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৰারেংশিং অসিগী ৰাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৰাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।